# খার্তুমদা সুদানিষ্ট আর্মদ ফোর্সেস অমসুং রেপিদ সপোর্ট ফোর্সেসকী মরক্তা লান লেপ্তুনা শোক্লরি

**খার্তুম, মে ১৬ (এজেন্সী):**

আর্মিগী এয়র ফোর্সনা সুদানগী কেপিটেল খার্তুমগী নোংপোক থঙবা শরুকশিংদা অকনবা বোম্বিং এটেকশিং চথবগা লোয়ননা সিটি অসিদা সুদানিষ্ট আর্মদ ফোর্সেস (এস এ এফ) অমসুং রেপিদ সপোর্ট ফোর্সেস (আর এস এফ) কী মরক্তা মখা তানা লান শোক্লরি।



আর্মিনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্তা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরকখিবদা সাক অল-নিল (ইষ্টর্ন নাইল) লোকেলিটিগী মফম খরা অমসুং ইষ্ট নাইল হোস্পিটালগী অকোয়বদা টার্গেট তৌদুনা রেভেল মিলিসিয়াগী খুৎলায়, এম্যুনেসন অমসুং ফ্যুএলগী অচৌবা লোজিষ্টিকেল সপ্লাইগী মায়োক্তা ক্বালিটেটিব ওপরেসন চথখি।

আর্মিগী ষ্টেটমেন্ট অসিনা ওপরেসন অদুদা মীচমশিংদা মীশি মীনা অমত্তা থোকখিদে হায়জরবসু আর এস এফকী মায়কৈদগী থোরকপা ৱারোলদদি বোম্বিং কেম্পেইন অদুনা হোস্পিটাল অদুগী অয়াম্বা শরুক মাঙহন তাকহনবদা নত্তনা মরাল লৈজদ্রবা সিটিজন কয়া শিখি হায়না ফোঙদোরকখি।

খার্তুমদা লৈবা দিপ্লোমেটিক মিশন কয়াদা আর এস এফনা চথখিবা এটেকশিং কন্দেম তৌই হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা সুদানিষ্ট ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়রিবদি আর এস এফনা এটেক তৌবগা লোয়ননা কিংদম ওফ জোর্দানগী দিপ্লোমেটিক মিশনশিং, সাউথ সুদানগী এম্বেসি, রিপব্লিক ওফ সোমালিয়াগী এম্বেসি, রিপব্লিক ওফ যুগান্দাগী এম্বেসি, কিংদম ওফ সাউদি অরাবিয়াগী মিলিটরি এটাচি অমসুং ষ্টেট ওফ কুয়েটকী এটাচিদা নম্ফুদা চঙশিনখি।

মখা তানা মিনিষ্ট্রি অসিগী ষ্টেটমেন্টনা হায়রিবদি আর এস এফনা ইন্টরনেসনেল লো খোঙ্গাওনদুনা দোক্যুমেন্টশিং অমসুং ফর্নিচর অমদি কম্প্যুটরশিং অমসুং দিপ্লোমেটিক ভেহিকলশিং যাওনা মমল যাল্লবা পোৎশকশিং মাঙহন তাকহনখি।

চৈরকসিদা সুদানগী নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না লৈবাক অদুগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমা ইস্যু তৌখ্রে।

সিভিলিয়ন রেসিদেন্টশিংগা নক্লনা এয়র ফোর্স অমসুং অচৌবা খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা মীচমশিংদা মীশি মীনা থোকহনবগী থৌওং কম্মিসন অসিনা কন্দেম তৌই।

মখা তানা কম্মিসনননা হেল্‌থ অমসুং সিভিলিয়ন ফেসিলিটি পুম্নমক্তা লৈরিবা মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোক্লবা অমদি লান শোক্লরিবা পার্টিশিংনা অসিগুম্বা ফেসিলিটিশিং অসিবু মিলিটরিগী হিরমশিংদা নত্ত্রগা মিলিটরি টার্গেটশিং ওইনা ফিভম অমত্তদনা শীজিন্নদনবা তকশিনখি।

যুএন ওফিস ফোর ড কোওর্দিনেসন ওফ হ্যুমেনিটরিয়ন এফিয়র্স (ও সি ঐচ এ) না মসিগী খ্বাইদগী নৌবা রিপোর্টতা হায়রিবদি হৌখিবা এপ্রিল ১৫ দা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লবা হৌখিবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ৬৭৬ শিখ্রে। রেকোর্দ অদুগী মতুং ইন্না এপ্রিল ১৫ দগী কনফ্লিক্ট অদুনা মরম ওইদুনা লৈবাক মনুংদা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নবা ৭৩৬,২০০ অমসুং য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা চেন্দুনা চঙজফম লৌরিবা ২০০,০০০ য়াওনা মীওই ৯৩৬,০০০ ইনৌ নৌনা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরি।

যুএনগী মতুং ইন্না কুমজা ২০২৩ দা সুদানিষ্ট মিলিয়ন ১৫.৮ রোম নত্ত্রগা লৈবাক অসিগী অপুনবা মীশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অমরোম হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং মথৌ তাগনি অমসুং মশিং অসি লান অসিনা মরম ওইদুনা হেনগৎলক্কনি।

# যুএন হ্যুমেনিটরিয়ন চীফনা ব্লেক সী গ্রেন দিলগী মতম শাংদোক্লবা আপিল তৌখ্রে

**যুএন, মে ১৬ (এজেন্সী):**

যুক্রেনগী হৱাই চেঙৱাইশিং অমসুং লৌউ শিংউগী পোথোকশিং ব্লেক সীগী পোর্টশিংদগী এক্সপোর্ট তৌবা য়াহল্লিবা ব্লেক সী গ্রেন ইনিসিয়েটিবকী মতম শাংদোক্লবা যুএন সেক্রেটরি জেনরেল ফোর হ্যুমেনিটরিয়ন এফিয়র্স মার্টিন গ্রিফিটনা আপিল তৌখ্রে।



যুএন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা পীবা ব্রিফিং অমদা মহাক্না হায়খি, মদুদি ইনিসিয়েটিব অসিগী মখাদা এক্সপোর্ট তৌবা চিঞ্জাক্কী পোথোকশিং অমসুং রসিয়াদগী এক্সপোর্ট তৌবা চিঞ্জাক্কী পোথোকশিং অমসুং ফর্টিলাইজরনা গ্লোবেল ফুদ সেক্যুরিটিদা য়াম্না মরু ওইবা কন্ট্রিব্যুসন পীরি।

ইনিসিয়েটিব অসিগী মখাদা যুক্রেনদগী চিঞ্জাক্কী পোৎলম মেট্রিক টন মিলিয়ন ৩০ হেন্না অশোয় অঙাম য়াওদনা এক্সপোর্ট তৌখ্রে। যুএনগী ওফিসল অসিগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়রি, মদুদি এক্সপোর্টশিং অদুদা অফঘানিষ্টান, ইথিওপিয়া, কেনিয়া, সোমালিয়া অমসুং য়েমেনদা চথুরিবা হ্যুমেনিটরিয়ন ওপরেসনশিং হকথেংননা সপোর্ট পীরিবা গেহু মেট্রিক টন ৬০০,০০০ রোম য়াওরি।

মদু ৱার্ল্ড ফুদ প্রোগ্রামনা লৈবাকশিং অসিদা পুরিবনি। খ্বাইদগী নৌবা ফুদ এন্দ এগ্রিকলচর ওর্গনাইজেসনগী এনালাইসিসনা হৌখিবা থা ১২ খরা হেনবা মতম অসিদা মালেমগী চেঙ, গেহুনচিংবগী মমলশিং চাদা ২০ লোম হন্থরকখি হায়বগী ইঙ্গিৎ পী। হৌখিবা থাদা মালেমগী গেহুগী মমলশিং কুমজা ২০২১ গী জুলাইদগী খ্বাইদগী নেম্বা লেভেল য়ৌখি। মদু যুক্রেনগী হৱাই চেঙৱাইশিং লেপ্তুনা মপানদা থাদোকপা অমসুং পোৎশকশিং অসি রসিয়া অমসুং অতৈ মফমশিংদা এক্সপোর্টকী আইটেমশিং ওইনা মরাং কায়না ফঙহনবদগীনি হায়রি।

জিনিভাদগী ভিদিও লিঙ্ককী খুথাংদা গ্রিফিটনা হায়খি, মদুদি মসি প্রোগ্রেসকী শেংলবা খুদম চাংদম্লি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না তৌগদবা কয়া অমসু লৈরি। হ্যুমেনিটরিয়ন ফুদ এসিষ্টেন্স ওপরেসনশিংগা মরী লৈননা চিঞ্জাক্কী সপ্লাইশিং মখা তানা মথৌ তাখিগনি। ব্লেক সী গ্রেন ইনিসিয়েটিব হায়বসি যুক্রেনগী ওদেশা মোটতগী রসিয়ন এমোনিয়া এক্সপোর্ট তৌবা অসিবুসু খঙনৈ। তৌইগুম্বসুং মসিমক্তি হৌজিকসু মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোকখি হায়বা য়াই।

হৌখিবা থা অসিদা ইনিসিয়েটিব অসিগী মখাদা ইষ্টানবুলদা লিংখৎখিবা জোইন্ট কো ওর্দিনেসন সেন্টরনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরকপনা মরম ওইদুনা যুক্রেনগী ব্লেক সী পোর্টশিংদগী পোথোকশিং থাদোকপগী চাং খরা হন্থরকপা উখি।

# চহী ৩০ রোমগী মমাঙদা দিসমিস তৌখিবা ইমপ্লোয়ি ৫০,০০০ হেন্না য়েমিনি গভর্ণমেন্টনা অমুক হঞ্জিলহনখ্রে

**অদেন, মে ১৬ (এজেন্সী):**

য়েমেনগী খা থংবা প্রোভিন্সশিংদা চহী ৩০ রোমগী মমাঙদা থবক্তগী দিসমিস তৌখিবা সিভিল, সিক্যুরিটি অমসুং মিলিটরি ইমপ্লোয়ি ৫২,০০০ হেন্না অমুক হন্না থবক্তা হঞ্জিলহল্লগনি হায়না য়েমেনি প্রসিদেন্সিএল লিদরশিপ কাউন্সিল (পি এল সি) না লাউথোকখ্রে।



কুমজা ১৯৯৪ গী সিভিল ৱার মতুংদা থবক্তগী নম্ফুদা লৌথোকখিবা ইমপ্লোয়ি ৫২,৭৬৬ পু অমুক হন্না থবক্তা হঞ্জিলহনবা, মখোয়গী প্রমোসন, সেটলমেন্টশিং অমসুং খুৎশুমল হেনগৎপগী থৌরাং এপ্রুভ তৌবগী ৱারেপশিং পি এল সিগী চীফ রাসদ অল-অলিমিনা খুৎয়েক পীখি হায়না ষ্টেটনা চল্লাইবা সবা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

সবাগী রিপোর্ট পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়রিবদি ৱারেপশিং অদুদা খা থংবা য়েমেনদা মখোয়গী ফমশিংদগী নম্ফুদা দিসমিস তৌখিবা এমপ্লোয়িশিং অদুগী পেন্দবশিং য়েংশিন্নবা মমাঙদা শেমখিবা কম্মিটি অমগী প্রোসিজরশিং এপ্রুভেল পীবা য়াওই। কম্মিটি অদুনা আর্মদ ফোর্সেস, ইন্টরিয়র ফোর্সেস অমসুং পোলিটিকেল সেক্যুরিটি (ইন্টলিজেন্স) সার্ভিসেসতা লৈরম্বদগী নম্ফুদা দিসমিস তৌখিবা ইমপ্লোয়িশিং অদুবু অমুক হন্না থবক্তা হঞ্জিলহনবা অমসুং মখোয়দা কম্পেন্সেসন পীবগী প্রোসিজরশিং খন্নখি।

মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা থবক্তগী পোত্থারবা মিলিটরি ওফিসল অমনা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি ঐখোয়গী পেন্দবশিংবু খঙবীবা অসি পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা থৌওংনি। মসিনা মমাঙগী ইন জষ্টিসশিংনা শোকহনখিবশিং অদুবু ফহনবা অমদি থোং মান্নবা সোসাইটি অমা শেম্নবা হোৎনবদা পি এল সিনা কম্মিটমেন্ট থম্মী হায়বসি অমুক হন্না উৎলি।

কুমজা ১৯৯৪ দা আরব লৈবাক অসিদা সিভিল ৱার অমা থোক্লকখিবনি। মদু নোর্থ য়েমেন অমসুং সাউথ য়েমেন পুনশিন্নদুনা রিপব্লিক ওফ য়েমেন শেম্লবা মতুং চহী মরি কান্নরগনি। লান অদুনা মরম ওইদুনা মমাঙদা গভর্ণমেন্ট, সিক্যুরিটি অমসুং মিলিটরি য়াওনা তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংদা থবক তৌরম্বা সার্উর্দন য়েমেনগী মীওই লিশিং কয়া দিসমিস তৌখিবনি।

# ওইল অমসুং গ্যাস ফিল্ড ১৩ শেমগৎনবা ইরাক্না ইন্টরনেসনেল কম্পেনিশিং ইনভাইট তৌখ্রে

**বাঘদাদ, মে ১৬ (এজেন্সী):**

ইরাক্কি ওইল অমসুং গ্যাস ফিল্ডশিং অমসুং এক্সপ্লোরেসন ব্লোক ১৩ দিভলপ তৌনবা লৈবাক অসিগী ওইল মিনিষ্টর হায়ান অব্দুল গানিনা ইন্টরনেসনেল ইনর্জি কম্পেনিশিংদা ইনভাইট তৌখ্রে।

শেমগৎননবগীদমক লাউথোকখ্রবা সাইট ১৩ অদু বস্রা, মেসন, ৱাশিদ, বাঘদাদ, সলাহুদ্দিন অমসুং নিনেবে প্রোভিন্সশিংদা লৈ হায়না অব্দুল ঘানিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

ওইল মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অসিম জিহাদনা হায়খি, মদুদি প্রোজেক্টশিং অদুদা ইন্টরেষ্ট লৈবা ইন্টরনেসনেল কম্পেনিশিংনা মখোয়গী রিক্বেষ্টশিং থেংলবদা কুমজা ২০২৩ গী জুন ১৫ ফাওবগী মনুংদা সবমিট তৌগদবনি। ইরাক্না কুমজা ২০০৯ দা ফোরেন ইনভেষ্টমেন্টগীদমক লৈবাক অসিগী ওইল অমসুং গ্যাস সেক্তরদা মপানগী কম্পেনিশিং চঙলকপা য়াগনি হায়না লাউথোকখি।

হৌখিবা চয়োলদা অব্দুল ঘানিনা লাউথোকখিবা অমদা লৈবাক অসিগী ওইল রিজার্বশিং বেরেল বিলিয়ন তরা অমসুং নেচরেল গ্যাস রিজার্বশিংনা ক্যুবিক ফিট ট্রিলিয়ন নিপান হেনগৎলে হায়না লাউথোকখিবনি।

অনৌবা ফিগরশিং অসিনা ইরাক্কি থাঙৈশেংবা ক্রুদ ওইল রিজার্বশিং বেরেল বিলিয়ন ১৫৫ রোমদা হেনগৎহনবগা লোয়ননা নেচরেল গ্যাসকীনা ক্যুবিক ফিট ট্রিলিয়ন ১৪০ রোমদা হেনগৎহল্লগনি। অনৌবা ফিগরশিং অসি ইরাকসু মেম্বর অমা ওইরিবা ওর্গনাইজেসন ওফ ড পেট্রোলিয়ম এক্সপোর্টিং কন্ট্রিস (ওপেক) না ওফিসল ওইনা য়ানবদি লৈত্রিবনি।

ইরাক্কি ইকনোমি অসি শুংদোক্ত্রিবা থাউ মপানদা থাদোকপগী মপান চাওনা তাংলিবনি। লৈবাক অসিগী রিভেন্যু অপুম্বগী চাদা ৯০ হেন্না ক্রুদ ওইল এক্সপোর্টতগী লাক্লিবনি।

# য়েংথিনবা গ্রুপশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লবদা মীওই ১৬ শিখ্রে

**ইস্লামাবাদ, মে ১৬ (এজেন্সী):**

পাকিস্তানগী খাইবর পাক্তুনখ্ৱা প্রোভিন্সতা অমগা অমগা য়েংথিনবা গ্রুপ অনীগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্লবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৬ শিরে অমসুং অতৈ মরিনা অশোক অপন নঙলে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিস ওফিসলশিংনা এজেন্সিদা ফোঙদোরকখিবদা থৌদোক অদু কোহাট দিষ্ট্রিক্টকী দরা অদমখেল ট্রাইবেল এরিয়াদা গ্রুপ অনীগী মরক্তা য়েৎনদুনা লৈবা কোল্ড মাইন অমগী দিমার্কেসনগী মতাংদা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা থোকখিবনি।

মখা তানা পুলিসনা হায়রিবদি ট্রাইবেল গ্রুপ অনীগী মরক্তা মতম শাংনা য়ানদবা লৈরকপনা মরম ওইদুনা নোংমৈ কাপ্লবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। লোকেল ট্রাইবেল কোর্ট অমা ওইরিবা জিরকাগী সেসন কয়া পাঙথোক্তুনা ট্রাইবেল ট্রাইবশিং অসি অমগা অমগা শন দাইননবা হোৎনবা লৈখ্রবনি। অদুম ওইনমক গ্রুপশিং অসি হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা কোল্ড মাইন অদুদা থবক তৌবা মতমদা অমগা অমগা ওনশিন্নরকখিবগা লোয়ননা উংখৎনরক্তুনা খুৎ থোক্লবগী ফিভম অদু লাকখিবনি। থৌদোক অদুগী মতুংদা পুলিস অমসুং রেস্ক্যু টিমশিং খুদক্তা মফম অদুদা চঙশিনখি অমসুং ভিক্তিমশিং অদু অনকপা হোস্পিটাল অমদা পুখি।

থৌদোক অদুদা চেন্নবশিংদুগী মায়োক্তা পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসন হৌখ্রে হায়রি।

# নোর্থ কোরিয়াদগী চেল্লকখিবশিংদা রেদিএসন টেষ্ট তৌবা হৌখ্রে

**সিওল, মে ১৬ (এজেন্সী):**

মালেমদগী নাইতোম ওইনা লৈরিবা নোর্থ কোরিয়াগী পুংয়ে-রি ন্যুক্লিয়র টেষ্টিং সাইটকা নক্লবা মফমশিংদগী চেল্লকখিবা নোর্থ কোরিয়নশিংদা সাউথ কোরিয়ানা রেদিএসন এক্সপোজর টেষ্টশিং চথবা হৌরে হায়না সিওলগী য়ুনিফিকেসন মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিনা ওফিসল অদুগী ৱারোল পল্লদুনা হায়রিবদি হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা হৌখিবা রেদিএসন টেষ্টিং অদু নবেম্বর ফাওবগী মনুংদা মপুং ফানা লোইশিল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মদুগী রিজল্টশিং দিসেম্বরগী অথেংবা শরুক্তা মীয়াম খঙনবা লাউথোক্লবা য়াই।

টেষ্ট অদু নোর্থ কোরিয়ানা কুমজা ২০০৬ তা অহানবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোকখিবা মতুং লৈবাক অসিদগী চেল্লক্তুনা কিলজু কাউন্টি অমসুং মসিগা নক্লবা মফমশিংদা লৈরকখিবা দিফেক্তর ৮৯ দা কন্দক্ট তৌগনি।

নোর্থ কোরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা লমদমগী কিলজুদা লৈবা পুংয়ে-রি ন্যুক্লিয়র টেষ্ট সাইট অদুদা লৈবাক অসিনা মসিগী ন্যুক্লিয়র টেষ্ট তরুকমক পাঙথোকখিবনি।

সাউথ কোরিয়ন গভর্ণমেন্টনা মমাঙদা কুমজা ২০১৭ অমসুং ২০১৮ দা নোর্থ কোরিয়ন দিফেক্তর ৪০ দা মান্নবা টেষ্টশিং পাঙথোকখিবনি।

রেদিএসন টেষ্টিং চথগদৌরিবা দিফেক্তর ৮৯ দুগী মনুংদা মীওই মাপনদি গভর্ণমেন্টগী মমাঙগী টেষ্টশিংগী মনুংদা রেদিএসনদা এক্সপোজ তৌখিবশিংনি হায়না চিংনবশিংনি।

# ‘রসিয়া-যুক্রেন লান য়াওনা থৌদোক কয়ানা সপ্লাই চ্যেনদা শোকহনখি’

**ন্যু দিল্লি, মে ১৫ (এজেন্সী):**

ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সনা মসিগী কন্বেট পোটেন্সিএল খ্বাইদগী ৱাংবা লেভেলদা লৈহন্নবা হোৎনবদা চঙলিবা ক্রিটিকেল কম্পোনেন্টশিং, ইক্বিপমেন্ট অমসুং সর্ভিসসশিং ফঙহনবদা গ্লোবেল সপ্লাই চ্যেনশিংগী মপান চাওনা তাংদুনা লৈরি হায়না এয়র চীফ মার্সেল বি আর চৌধরিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

নেসনেল লোজিষ্টিক মেনেজমেন্ট সেমিনর, লোজিসেম-২৩ দা ৱা ঙাঙলদুনা আই এ এফকী চীফ অসিনা হায়খি, মদুদি হন্দক মতম খরা অসিদা মালেমদা কোভিদ ১৯ পেন্দামিক, রসিয়া-যুক্রেন কনফ্লিক্ট, ট্রেদ বেরিয়রশিং, টেরিফকী লানশিং, ইনভাইরনমেন্টেল কমপ্লাইয়ন্স পোলিসিশিংগুম্বা গ্লোবেল সপ্লাই চ্যেনশিংদা অকায়বা পীবা তোঙান তোঙানবা থৌদোক অমদি ৱাথোক লান্থোকশিং থোকখি।

আই এ এফকী চীফনা শরুক য়ারিবা সেমিনর অদু ‘লেবরেস ইমর্জিং গ্লোবেল সপ্লাই চ্যেন টু এনহেন্স লোজিষ্টিক্স কেপেবিলিটিস হ্বাইল এবজোর্বিং দিসরপসন্স’ হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবনি। আই এ এফনা ওর্গনাইজ তৌবা ইভেন্ট অদু নেসনেল কেপিটেলদা লৈবা এয়রফোর্স ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখি।

মফমদুদা এয়র চীফ মার্সেল চৌধরিনা সেমিনর অদুবু হৌদোকখি অমসুং কি-নোট এদ্রেস পীখি।

মহাক্কী ৱারোল অদুদা আই এ এফকী চীফ অসিনা হায়খি, মদুদি গ্লোবেল সপ্লাই চ্যেনশিং হৌজিক্তি হেন্না কমপ্লেক্স ওইরকপগা লোয়ননা অমনা অমগা শম্নরক্লে অমদি মসি ইন্টরনেসনেল ট্রেদকী মেনুস্ক্রিপ্টশিং অমদি টেক্নোলোজিদা খুমাঙ চাওশিনবগী ফিভম্না মরম ওইরগা থবক তৌবগী মওং অমা ঐখোয়না উবা ফংলক্লি।

# সিএমগী ফমগী মতাংদা লৈখায় তান্নদ্রিঙৈদা কর্নাটকাগী কংগ্রেস চীফ সিবকুমারনা দিল্লিদা খার্গে উনখ্রে

**ন্যু দিল্লি, মে ১৬ (এজেন্সী):**

কর্নাটকাগী কংগ্রেস পার্টিগী চীফ দিকে সিবকুমার লৈবাকপোকপা নুমিত্তা নেসনেল কেপিটেলদা থুংখিবগা লোয়ননা মহাক্না পার্টিগী চীফ মালিক আর্জুন খার্গেগা ময়ুমদা উন্নদুনা ৱারী শানখ্রে।



কর্নাটকাগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর খন্ননবা কংগ্রেসকী চীফ অসিগী য়ুমদা লেপ্তুনা ৱা তান্নদুনা লাক্লিবনি। লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিলদা নেসনেল কেপিটেলদা থুংদুনা মহাক্কী মনাওনুপা অমসুং পার্টিগী এমপি দিকে সুরেসকী ময়ুমদা চৎখিবা সিবকুমার খার্গেগা উন্ননবা পার্টিগী চীফ অসিগী য়ুমদা নুংথিল পুং ৫ রোম তাবদা লাকখি।

মহাক্না খার্গেগা উন্নরিবদু পার্টিগী হান্নগী চীফ রাহুল গান্ধী, পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) কে সি ভেনুগোপাল অমসুং কর্নাটকা ইন চীফ রন্দিব সিংহ সুজেৱালাগা কনানা কর্নাটকাগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইগদগে হায়বদু লেপ্পনবা পার্টিগী চীফকা মতম শাংনা খন্নরবা মতুং পুং খরা কান্নরগা পাঙথোক্লিবনি। কংগ্রেসকী সেনিয়র লিদরশিংগী মীফম অদু পুং ১.৩০ হেন্না চথখি হায়রি।

হৌখিবা নিংথৌকাবগী অহিংদা পার্টি ছোর্সশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না কংগ্রেসকী চীফনা যু পি এগী চিয়ারপার্সন সোনিয়া গান্ধী অমসুং হান্নগী পার্টিগী চীফ রাহুল গান্ধীগা লোয়ননা পাঙথোকপা সেক্রেট বেলোট ভোটিংগী রিজল্ট খন্নরবা মতুংদা কর্নাটকাগী মথংগী সিএম কনানা ওইগদগে হায়বদু লেপকনি।

সোনিয়া গান্ধী হৌজিক সিমলাদা লৈরিবনি। হৌখিবা নিংথৌকাবদা কর্নাটকাগী ওবজার্বর অহুম্মক্না মখোয়গী রিপোর্ট খার্গেদা সম্মিট তৌখি অমসুং পার্টিগী লিদরশিং অদুনা পুং ৫ হেন্না উন্নদুনা ৱারী শানখি। টর্ম লোইশিল্লক্লবা কর্নাটকা এসেমব্লিগী ওপোজিসন লিদর অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর সদ্রাময়া স্পিসল ফ্লাইট অমদা তোংলগা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিলদা নেসনেল কেপিটেলদা থুংখিবনি। তৌইগুম্বসুং ষ্টেট য়ুনিট চীফ দিকে সিবকুমারদি চাকখাওগী ইনফেক্সন অমনা মরম ওইদুনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা নেসনেল কেপিটেলদা লাকখিদে।বেঙ্গলুরুদগী দিল্লি পাঙদ্রিঙৈগী মাঙওইননা সিবকুমারনা পার্টিবু মহাক্কী ওইনদি লাইনি হায়খি।

সিবকুমারনা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয় য়ুনিটি লৈবা পার্টিনি। এসেমব্লিদা ঐখোয়গী মশিং ১৩৫ নি অমসুং ঐহাক্না পার্টিগী প্রসিদেন্টনি। কংগ্রেস পার্টি অসি ঐহাক্কী ওইনদি লাইশঙনি। পার্টি অসি ইমা অমগা মান্নে। ঐহাক্না ঐহাক্কী পাঙথোকফম থোকপা থৌদাং পাঙথোকখি।

পনবা য়াবদি, সিদরামায়া অমসুং সিবকুমারনা টোপ ফম অসিবু পায়ননবা তান্নরিবনি।

# কুমজা ২০৪০ ফাওবগী মনুংদা প্লাষ্টিক পোলিসি চাদা ৮০ হন্থহনবা য়াগনি

**ন্যু দিল্লি, মে ১৬ (এজেন্সী):**

করিগুম্বা মালেমগী লৈবাকশিং অমসুং কম্পেনিশিংনা হৌজিক লৈরিবা টেক্নোলোজিশিং শীজিন্নদুনা মওং মরিল তাবা অমদি পোলিসি শেন্দ্বগা লোয়ননা মার্কেটতা অহোংবশিং লাকহল্লবদি কুমজা ২০৪০ ফাওবগী মনুংদা প্লাষ্টিক পোল্লুসন চাদা ৮০ রোম হন্থহনবা য়াগনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা যুএন ইনভাইরনমেন্ট প্রোগ্রাম (য়ু এন ই পি) গী অনৌবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অদু প্লাষ্টিক পোল্লুসন কোকহন্নবা মালেমগী ওইবা এগ্রিমেন্ট অমা পুরক্লবা পেরিসতা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা রাউন্দগী নিগোসিএসন অমগী মাঙওইননা রিলিজ তৌখিবনি। রিপোর্ট অদুদা প্লাষ্টিক পোল্লুসন লেপহন্দুনা সার্কুল্লর ইকনোমি অমা লাকহনবদা মথৌ তারিবা অহোংবশিংগী চাং অমসুং মওং অদু পল্লি। মালেম্না প্লাষ্টিক পোল্লুসন লেপহনবগা লোয়ননা সার্কুল্লর ইকনোমি অমা কমদৌনা লাকহনগদগে হায়বসি মশক থোকপা প্রেক্তিসশিং, মার্কেটকী অহোংবশিং অমসুং গভর্ণমেন্টশিংদা ৱাখল খলহনগদবা অমসুং বিজিনেসশিংবু তৌফম থোকপশিং তৌহনবনচিংবগী এনালাইসিসতা মীৎয়েং থম্বা সোল্লুসন্নি হায়রি।

য়ু এন ই পিগী একজিক্যুটিব দিরেক্তর ইঙ্গর এন্দরসননা হায়রি, মদুদি ঐখোয়না প্লাষ্টিকশিং পুথোক্তুনা শীজিন্নবা অমসুং মখোয়বু লংথোকপগী থৌওং অসিনা ইকো সিষ্টেমশিংদা পোল্লুসন থোকহন্দুনা মীওইবগী হকশেলদা শোকহনগদবা ফিভম কয়া লাকহনবগা লোয়ননা ক্লাইমেটতা চাওনা শোকহল্লি।য়ু এন ই পিগী রিপোর্ট অদুনা প্লাষ্টিকশিং ইকো সিষ্টেমদা চেন্নহল্লোইদবা অমদি ঐখোয়গী বোদিশিং অমসুং ইকনোমিদা য়াওহন্দনবগী সার্কুলর এপ্রোচ অমা য়ান্নদুনা অসিগুম্বা রিস্কশিং শীংথানিংঙাই ওইনা হন্থহন্নবগী রোদ মেপ অমা পীরি।

# কেরলাদা সাউথ ৱেষ্ট মোন্সুন য়ৌরকপগী মতম থিন্থরবা য়াই : আই এম দি

**টিরুবনন্টপুরম, মে ১৬ (এজেন্সী):**

কেরলাদা সাউথ ৱেষ্ট মোন্সুন য়ৌরকপগী মতম চহী অসিগী ওইনদি মসিগী নোর্মেল নুমিৎ ওইরিবা জুন ১ দগী খরা থিন্থরকপা য়াই হায়না আই এম দিনা হায়রি।

কেরলা ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিনা আই এম দিগী রিপোর্ট পল্লদুনা হায়রিবদি কেরলাদা সাউথ ৱেষ্ট মোন্সুন য়ৌরকপগী মতম অসি হন্দক্কী ওইনদি জুন ৪ ওইরবা য়াই। মসি নুমিৎ মরিনি হেনগৎপা নত্ত্রগা চোন্থবগী অশোয়বা লৈবা মোদেল অমগী মতুংইন্ননি।

আই এম দিনা মোন্সুন থুংবগী থৌদোক মোনিটর তৌরিবসি লক্সদিপ, কেরলা অমসুং কর্নাটকাগী মেঙ্গলুরুদা লৈবা ৱেদর ষ্টেসন ১৪ গী নোং চুবগী দেটা রেকোর্দ তৌদুননি।

ওফিসলশিংনা মে ১০ দগী নোংজুশিং মোনিটর তৌবা হৌখি। করিগুম্বা ষ্টেসনশিং অদুগী চাদা ৬০ নত্ত্রগা মসিদগী হেনবনা নুমিৎ নীনি থংন থংননা নোং এমএম ২.৫ রেকোর্দ তৌরবদি মোন্সুন থুংলবগী ফিভম অদু সেটিসফাই ওই হায়না লৌগনি। অতোপ্পা মোন্সুনগী নাপচৈ অমদি আই এম দিনা নুংশিৎকী মপাঙ্গল য়েংলগা লেপ্পা অসিনি।

নোংথক্তা লৈরিবা নোং মপৈশিংগী মুভমেন্টশিং অসিসু মোন্সুন লাউথোকপগী ৱাফম লাকপদা ৱেদরমেনশিংনা থাজনা শীজিন্নবা য়াবা মরু ওইবা ইন্দিকেটর অমা ওইরি। হৌখিবা চহী তরা অসিদা আই এম দিগী ওপরেস্নেল ফোরকাষ্টশিং চুমখি।

# বোম্বুলা ফেক্তরিদা পোকখায়রকপদগী মীওই ৯ শিখ্রে

**কোলকত্তা, মে ১৬ (এজেন্সী):**

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ইষ্ট মিদনাপুর দিষ্ট্রিক্টকী ইগ্রাদা লৈবা লোনা য়াদবা ফায়র-ক্রেকর ফেক্তরি অমদা থোক্লকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই মাপন শিখ্রে।

থৌদোক অদুদা ফিভম লূনা শোক্লবা অতৈ মীওই ১৩ হৌজিক লোকেল হোস্পিটাল অমদা লায়কন্নরি।

চৈরকসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সেনিয়র পুলিস ওফিসর খরা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং থৌদোক থোকফম অদুদা য়ৌখ্রবা মতুংদা লোকেল মীওইশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে। প্রোটেষ্টরশিং অমসুং পুলিসকী মরক্তা কন্না অৱাই অখুম তৌনবা অমদি মুক্লবগী থৌদোকশিং ফাওবা থোকখি।

পোকখায়বগী থৌদোক অদু লোকেল পুলিসনা মফম অদুদা লোনা য়াদবা মওংদা লিংখৎনরিবা ফায়র-ক্রেকর ফেক্তরিশিংবু পুলিসনা য়েংশিন্দবদগী থোক্লক্লিবনি হায়না প্রোটেষ্টরশিংনা মরাল শীখি।

# কেস ফোর জোব স্কামদা এস সিনা তামিল নাদুগী মিনিষ্টর অমগী মায়োক্তা প্রোব তৌবা য়াহনখ্রে

**ন্যু দিল্লি, মে ১৬ (এজেন্সী):**

কুমজা ২০১১-১৫ গী কেস-ফোর-জোব স্কামগা মরী লৈননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সুপ্রিম কোর্টনা পুলিস অমসুং এনফোর্সমেন্ট দিরেক্তরেট (ই দি) অনীমকপু তামিল নাদুগী ইলেক্ট্রিসিটি, এক্সাইজ এন্দ প্রোহিবিসন মিনিষ্টর ভি সেন্থিল বলাজেগী মায়োক্তা প্রোব চথবা য়াহনখ্রে।

জষ্টিসশিং কৃষ্ণমুরালি অমসুং বি রমাসুব্রমনিয়নগী বেঞ্চ অমনা হায়খি, মদুদি করপসন, ক্রিমিনেল এক্তিভিটি অমসুং ক্রাইমগী প্রোসিটশিংবু শীজিন্ননবা হোৎনরম্বা ওফেন্সকী কেস হায়বসি স্যামিস ত্বিন্সকা মান্নে। মশক উবা ঙমদ্রিবা প্রোপর্টি, সেদ্যুল ওফেন্সকা মরী লৈনবা ক্রিমিনেল এক্তিভিটিনা মরম ওইদুনা লাকহনখিবা ওইরবসু মদু সেক্সন ২ (১) (য়ু) গী মখাদা ক্রাইমগী প্রোসিটশিং হায়বদু ওইরকই।

ইদিগী ইনভেষ্টিগেসনশিং ফাউন্দেস্নেল/জুরিসদিকস্নেল ফেক্টশিং অমত্তা য়াওদনা চথরকখি হায়বা ৱাফম অসি ঐখোয়না পেন্নিংঙাই ওইদে হায়না বেঞ্চ অসিনা ফোঙদোকখি।

বেঞ্চ অদুগী মহুৎ শীন্দুনা লমায় ৮৯ গী জজমেন্ট অদুবু ইখিবা জষ্টিস রমাসুব্রমনিয়ননা হায়খি, মদুদি ঐখোয়গী মীৎয়েংদা এফ আই আরদা পল্লিবা এলিগেসনশিং অদু সেদ্যুল ওফেন্সশিংগা মরী লৈনবা ক্রিমিনেল এক্তিভিটিদা মীওই কয়া চেন্নৈ অমদি সেক্সন ৩ গী মনুং চন্না ক্রাইমগী প্রোসিটশিং থোকহন্নবা হোৎনরম্বগা লোয়ননা প্রোসিটশিং অদুবু লোন্দরিং তৌরম্বগী থৌওংশিং চেন্নৈ।